**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 20-10-2025)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**
**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**
**(তাং ২০-১০-২০২৫, নিংথৌকাবা)**

**---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) পুলিস স্তেসনশিংদগী মীয়ামা লৌখিবা খূৎশু খূৎলাইশিং মনাক নকপা পুলিস স্তেসন নত্রগা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংদা অথুবা মতমদা শিন্নবীয়ু হায়না মনিপুর পুলিসনা আপিল তৌরি।

২) অরুনাচল প্রদেশতা এন.এস.সি.এন-কে(রেভেল)গী কাদরশিংনা ফাখিবা লেভর অনি ভারত লান্মীনা কনখ্রে।

**অমসুং**

৩) রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমু, উপ-রাস্ত্রপতি সি.পি রধাকৃষ্ণন অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা দিৱালি কুম্মৈগী য়াইফ পাউজেল পীরি।

**------**

**পুলিস (এল)ঃ** হৌখিবা পুং ২৪ দা সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবুনা মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথুখি। মণিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমা থোকপা চেরোল অমদা হায়- রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংগী

চীংগা তাইনবা মফমশিং অমদি ইরাং থোক্কনবা মফমশিংদসু ঙরাং থিবা হুন্সবগী থবক চথখি। অদুম ওইনমক খৎশু খূৎলাই অমদি মীফা মীপুলগী পাউদি লৈতে।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়- মোতোর ভেহিকল এক্টকী মখাদা আইন কাইনা গারি থৌরিবশিংগী মথক্তা চথরকপা মণিপুর পুলিসকী দ্রাইভ লেপ্পা লৈত্রি। গারিগী মিংশেলশিংদা নপ্পা তিন্তেট ফিল্মশিংসু লৌথোক্লি।

চীং অমদি তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা হাংলিবা চেকপোইন্ট ১১৪দসু অকনবা সেক্যুরিতিগী চেকশিল থৌরাং লৌখৎলি হায়রি।

কনাগুম্বা মীওইশিংনা ভিদিও, ওদিও নত্রগা পাউ অমা ফংলবদি সেন্ত্রেল কন্ত্রোল রুমগী নম্বর ৯২৩৩৫২২৮২২দা ফোন তৌরক্তুনা ফংলিবা পাউ অদু হান্না অচুম অরান থিদোকপীয়ু, তোকঙাদা হান্না থাজবীগনু। লোয়ননা, সোসিয়েল মেদিয়াদা অরানবা পাউ শন্দোকপা মীওইশিংগী মথক্তসু আইনগী ওইবা থবক লৌখৎকনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

অমরোমদা, পুলিস স্তেসনশিংদগী মীয়ামা লৌখিবা নোংমৈ, নোংমৈ মরু অমদি বোমশিং মনাক নকপা পুলিস স্তেসন নত্রগা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংদা অথুবা মতমদা শিন্নবীয়ু হায়নসু পুলিস কন্ত্রোল রুমা আপিল তৌরি।

**এৱেরনেস(এল)ঃ** রাজ্যগী য়ুথ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস বিভাগকী মীৎয়েং মখাদা থৌবাল অমদি চান্দেলগী দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস ওফিসনা শিন্দুনা জিলা থাক্কী য়ুথ লিদরশিপ এন্দ এৱেরনেস প্রোগ্রামশিং পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি নহাশিংদা লিদরশিপকী মগুন শেমগৎনবা অমদি তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা পুন্না ৱাখল তামিন্ননবগী মতাংদা পাঙথোকপনি। মসিনা মণিপুরগী লৈরিবা নহাশিংদা হেন্না শক্তি পীবা, তুংদা লুচিংবা ওইনবা অমসুং অমত্তা ওইনা চাউখৎমিন্নবা ঙম্লগনি হায়রি।

**ককচিং (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিং অমদি ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী মীৎয়েং মখাদা ককচিং বজার বিজিনেস ৱেলফিয়র এসোসিয়েসন অমদি নহাশিংগী খোঙথাং ককচিংনা পুন্না শিন্দুনা ঙরাং নুমিদাং ককচিং বজারদা অনিশুবা ককচিং নাইট প্লাজা হৌদোকখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরমদা ককচিং কেন্দ্রগী এম.এল.এ এম.রামেস্বর, ৱাবগাই কেন্দ্রগী এম.এল.এ উসম দেবেন, ককচিং পুলিসকী এস.পি প্রিয়াদর্সিনি লাইশ্রম শরুক য়াখি। নাইট প্লাজা অসিদা ককচিংগা ওইবা অচা অথক্কী পোখোকশিং য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং মরুওইনা ককচিংদা পুথোকচবা পোৎলমশিং অমদি রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা আই.দি.পিশিংনা পুথোকপা পোৎলমশিংগী য়াওনা স্তোল ৯০ রোম হাংখি।

**ক্লব(এল)ঃ** লাইয়োন্স ক্লব ইন্তরনেসনেলগী মখাদা লৈবা লাইয়োন্স ক্লব থৌবাল, লাইয়োন্স ক্লব ওফ থৌবাল গ্রেতর সেনচুরিয়ন, লাইয়োন্স ক্লব ওফ ককচিং গ্রেতর অমদি লাইয়োন্স ক্লব ককচিং সুগনুনা পুন্না শিনদুনা অনিশুবা দিষ্ট্রিক্ট গভর্ণরস এদভাইজরি কম্মিতি মীফম ঙরাং ককচিং চুমনাং লৈকাইদা লৈবা রিপ্রজেন্তেতিভ ওফ লোইসকী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

**ৱেদর(এল)ঃ** নোনে জিলাদা ঙরাং শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৩৫.৯৯ য়ৌখি। রাজ্যগী এনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ বিভাগনা পীবা অইং অশাগী রিপোর্টকী মতুং ইন্না থাংজ নুমিৎকী নুমিদাং পুং ৭ তগী ঙরাং নুমিদাং পুং ৬ ফাওবদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৩৩.৩৮, কাংপোকপী জিলাদা ৩২.৮২, বিষ্ণুপুর জিলাদা ৩২.২৬, চুরাচান্দপুর জিলাদা ৩১.০৪, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা ৩০.৪৪ অমদি ককচিং জিলাদা ৩০.০৪ য়ৌনা শাখি।

অরোমদা, তেংনৌপল জিলাদদি শাবগী চাং অসি সেলসিয়স দিগ্রি ২২.২৩ খক্তমক ওইখি হায়রি।

মরক অসিদা, ইন্দিয়ন মেট দিপার্টমেন্টনা-কেরলা অমসুং মাহেগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ঙসি অকনবা নোং চুগনি হায়রি। লাক্লিবা নুমিৎ নিনি হুমি অসিদা অন্দমান্দ নিকোবর ইথৎ, অন্দ্র প্রদেশ, খা থংবা কর্নাতিকাগী সমুদ্র খোঙবালশিং, তামিল নাদু, লক্সদিপ, পুদুচেরি অমসুং করাইকালদা ময়াই ওইরপ্তগী অকনবা চাংদা নোং চুগনি। লোয়ননা, উরিষা, কর্নাতিকা, অন্দমান নিকোবর, কেরলা, মাহে অমসুং লক্সদিপকী মফম কয়াদা ঙসি অখাক অরাউগা লোয়ননা নোং চুগনি হায়রি।

**আর্মিঃ** অরুনাচল প্রদেশকী তিরাপ জিলাদা লৈবা দদম সর্কলগী লাহো ভিলেজতা এন.এস.সি.এন-কে(রেভেল)গী কাদরশিংনা ফাখিবা লেভর অনি ভারত লান্মীনা কনখ্রে। মণিপুর, নাগালেন্দ অমদি খা থংবা অরুনাচল প্রদেশকী ঙাকশেল মন্ত্রালয়গী পি.আর.ওনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-মীওই অনি অসি ফাখ্রে হায়বা পাউ ফংবদগা ভারত লান্মীগী স্পিয়র কোর্পসকী মখাদা অসাম রাইফলসনা থিবা হুম্বগী থবক চথখি। মদুদা, খূৎলাই পায়বশিং অদুনা খূৎ থারকপদগী ভারত লান্মীগী মাইকৈদগীসু হন্দুনা কাপখি অমদি মফম অদুদা ঙাইহাক খূৎ থোকরবা মতুং মীওইশিং অদু কনবা ঙমখিবনি। মীওই অনি অদু তেক্তা কাইদনা খোনসাদা পুরক্তুনা মেদিকেল চেক তৌনবা অমদি অতৈ তঙাইফদবশিং পীননবা থল্লি। মখা তাবা মফম অদুদা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

**দিৱালিঃ** রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমু, উপ-রাস্ত্রপতি সি.পি রধাকৃষ্ণন অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা দিৱালি কুম্মৈগী য়াইফ পাউজেল পীরি।

রাস্ত্রপতিনা মহাক্কী পাউজেলদা হায়-দিৱালি অসি লৈবাক অসিগী মীয়ামগী খ্বাইদগী পামবা কুম্মৈশিংগী মনুংদা অমনি। কুম্মৈ অসিনা অমম্ববু অঙানবনা

অমসুং ফত্তববু অফবনা জয় তৌই হায়বা উৎলি। মহাকা হায়-হরাউ তয়াম্বগী কুম্মৈ অসিনা মীপুম খুদিংমক নুংশি চান্নবা অমসুং মচিন মনাও ওইবগী ৱাখলোন নৌহৌননা নিংশিংহল্লি । কুম্মৈ অসি মীয়ামা অশোয় অঙাম য়াওদনা অমসুং অকোইবগী ফিভমদা অকাইবা পীদনা পাঙথোকমিন্ননবা হায়রি। রাস্ত্রপতিনা কুম্মৈ অসিনা নুঙাইবা, শান্তি অমসুং চাউখৎপা পুরকপা ওইরসু হায়না ইস্বরদা থৌনিজরি।

উপ-রাস্ত্রপতি শ্রী রাধাকৃষ্ণননা মহাক্কী পাউজেলদা হায়-অফবনা ফত্তববু জয় তৌবা কুম্মৈ অসিনা লাকপগা লোয়ননা লক্ষমি ইমাগী মফমদা মীপুম খুদিংমক্কী শান্তি চাউখৎপা অমসুং হকচাং ফবা পীবীনবা থৌনিজরি ।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা হায়-মৈগী কুম্মৈ দিৱালিনা লৈবাক অসিগী মীপুম খুদিংমক্কী পুনশিদা মঙাল পীদুনা নুংশি চান্নবা, হরাউবা অমসুং চাউখৎপা পুরকপা ওইরসনু। মীপুম খ্দিংমক্তা অফবা অমসুং নুংশি চান্নবগী ৱাখল্লোন লৈহন্নবা ইস্বরগী মফমদা নীজরি হায়না শ্রী মোদিনা মখা তাখি।

**এন.সি.বিঃ** নার্কোতিক্স কন্ত্রোল ব্যুরো(এন.সি.বি) ইন্দোর জোনেল য়ুনিটনা আইনগী ৱাংমদা দ্রগ শুংবশিংগী মথক্তা চত্থবা ওপরেসন অমদা মধ্য প্রদেশকী রটলামদা লৈবা আইননা য়াদবা মওংদা সাইকোট্রোপিক সবসতেন্স অলপ্রাজোলম শুংফম লেভোরেতরি অমা থুগাইখ্রে। এন.সি.বিনা থোকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না ওপরেসন অদুদা লূপা কোতি ৩ লাক্ষ ৪৪ রোমগী অলপ্রাজোলম কিলোগ্রাম ১৩ গ্রাম ৭০০ লোম অমসুং হীদাকশিং অদু শুংবদা চংবা পোৎলম কয়া ফাগৎখি। থৌদোক অদুদা, হীদাক শেম শাবগী থবক্তা চেন্নবা মীওই অনি অমসু ফাখি।

**শাহঃ** কেন্দ্রনা কর্নাতকা অমসুং মহারাস্ত্রগী ইং ২০২৫-২৬কী ষ্টেট দিজাস্তর

রেস্পোন্স ফন্দদা কেন্দ্রগী সেয়রগী অনিশুবা ইন্সতোলমেন্ট লূপা কোতি লিশিং ১,৯৫০ পীরগনি হায়না গৃহ মন্ত্রি অমিত শাহনা লাউথোকখ্রে। চহী অসিদা কা হেন্না নোং চুবা অমসুং ঈশিং ঈচাউনা শোকহল্লবা রাজ্য অনি অসিগী ওইনা শেনফম অসিগী মনুংদা কর্নাতিকাগী লূপা কোতি ৩৮৪ অমসুং মহারাস্ত্রগীনা লূপা কোতি লিশিং ১,৫৬৬ তেংবাং ওইনা পীবনি। গৃহ মন্ত্রালয়গী চেরোল অমনা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা কেন্দ্র সরকারনা ঈশিং ঈচাউ, চীং নিংখাইবা অমসুং বজ্র তাবদগী অমাং অতা থোকহল্লবা রাজ্যশিংদা পাংবা য়াবা মতেং পাংলি। চেরোল অদুনা মখা তানা হায়-কুমসি চহীগী ওইনা কেন্দ্রনা এস.দি.আর.এফকী খুথাংদা লূপা কোতি লিশিং ১৩,৬০৩ অমসুং রাজ্য ১৫ দা এন.দি.আর.এফকী খুথাংদা লূপা কোতি লিশিং ২,১৮৯ পীখ্রে। মসিগী মথক্তা ষ্টেট দিজাস্তর মিতিগেসন ফন্দদগী রাজ্য ২১ দা লূপা কোতি লিশিং ৪,৫৭১ অমসুং নেসনেল দিজাস্তর মিতিগেসন ফন্দদগী রাজ্য ৯ দা লূপা কোতি ৩৭২ পীখি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

মণিপুর পুলিসকী রেজিং ডে পাঙথোকখিবগী পাউ, রাজ্যপাল অজয় কুমার ভল্লাগী নোনেগী খোঙচৎকী পাউ অমদি তমেংলোংগী ওরেঞ্জ ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লগনি হায়বগী পাউনা ঙসি ফোঙবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

তমেংলোংদা ফোঙবা পাউচে গানফিউ মেলদা-মতম কুইনদগী শেন্দ্বীদনা লাক্লবা তামেংলোং টু ইম্ফালগী অশন্বা লম্বী ব্ল লাইন তেক্সি এসোসিয়েসন মণিপুর ওফিসিয়েল অমদি দ্রাইভরশিংনা শেমখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিদা- রাজ্যপাল অজয় কুমার ভাল্লানা নোনে জিলাগী

লোংমাইদা চত্তুনা রেলৱে ব্রিদস য়েংশিনখ্রে হায়বা পাউ অমসু ফোঙলি। মোতোর ভেহিকলস ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টগী ওফিসিয়েল শাদুনা লাগাউ মফমদগী নমদুনা পৈশা খাইরম্বা মীওই অনি মণিপুর পুলিসনা ফারে হায়বা পাউ অসিসু পাউচে অসিদা ফোঙলি।

তামেংলোং তাইমসতা-তমেংলোং হেদক্কাতরদগী অখুই ভিলেজ ফাওবা চৎপগী লম্বীদা শন্দে স্কুল সর্ভিসকীদমক চৎখিবা মহৈরোই ২০ তোংবা গারি এক্সিদেন্ট থোকপগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিদা- মনিপুর পুলিসকী ১৩৪ শুবা রেজিং ডে অহানবা মনিপুর রাইফলস বট্টালিয়নগী পেরেদ গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবগী পাউ অমসু ফোঙলি। এসোসিয়েসন ওফ হেলথ কেয়র প্রোভাইদর্স ইন্দিয়া মনিপুর ষ্টেট চেপ্তরনা মখোয়গী প্রাইভেট হোস্পিতাল অমদি ক্লিনিকশিংদা হেলথ কার্দশিং মতম খরগী ওইনা চৎনহল্লরোই মরমদি সি.এম.ঐচ.টি অমদি পি.এম.জে.এ.ৱাইগী হান্নগী পীথোক্তনা লৈরিবা শেনফমশিং সরকারনা হৌজিক ফাওবা পীদ্রিবগীনি হায়রি।

দ চমদা- এমসুগা মরী লৈনবা ঈ পাউশিং ফোঙবদা অথিংবা লৈরম্বা অদু অমজ্ অমদি ঈ.জি.এমনা হন্দোকখ্রে, ঙসিদগী থবক হৌরগনি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিদা- ওরেঞ্জ ফেষ্টিভেল চহী অসিগী দিসেম্বর ১৭ তগী ১৯ ফাওবা পাঙথোক্লগনি হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। মীয়ামনা হোৎনদুনা তমেংলোংগী অশম্বা লম্বী অমুক হন্না হাংদোকখ্রে হায়বা পাউ অসিসু পাউচে অসিদা ফোঙলি।

হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা- বরাক তুরেলদা চহী ১৮ শুরবা মহৈরোই অমা তাশিনখিবগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিদা- দি.বি.সিগী এলমাইগী ওইবা বাইক রেল্লি অমা মাউদগী কাংপোকপী ফাওবা চৎখ্রে হায়না

অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। সেনাপতি জিলাদগী অমোস ওসা লেফতনেন্ট কর্নেলদা প্রমোসন কাবগী পাউ অমসু পাউচে অসিদা ফোঙলি।

**--পাউ লোইজরে--**